**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 26.04.2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ**

**(তাং ২৬-০৪-২০২৪, ইরাই)**

--সিগনেচর ট্যুন--

**---অকাশবানি ইম্ফাল মাইবম দ্বিজমনিনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মনিপুরদা ঙসি আউটর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিগী লেমহৌরিবা বিধান সভা কেন্দ্র ১৩ দা ভোট থাদনখ্রে। অনিশুবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখল অসিদা পুং ৫ ফাওবদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৭৬.০৬ ওইখি।

২) আউতর মনিপুর লোক সভা কেন্দ্রগী ঙসি ভোট থাদনখিবা উখ্রুল অমসুং ফুংয়র বিধান সভা কেন্দ্রগী পুন্না পোল্লিং ষ্টেসন ১৯ দা অমুক হন্না ভোট থাদহন্নবা মনিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মীতিনা দাবী তৌরি।

৩) ই.ভি.এমদা রেকোর্ড তৌরিবা ভোট থাদখিবগী মশিংগা ভি.ভি. পেথতগী থোরকপা স্লিপ মশিংগা চাদা ১০০ মশিং থিমিন্ননবা থারকপা ৱাকৎ সুপ্রিম কোর্টনা য়াখিদ্রে।

৪) লোক সভা মীখলগী ৫ শুবা তাঙ্কক্কী নোতিফিকেসন ঙসি থোকখ্রে । মথং থাগী ২০ দা ভোট থদনগনি।

**অমসুং**

৫) লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলশিংনা ভোট খোম্বগী থবক খমথেংনা কল্লে।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**মীখল (এল)ঃ** মনিপুরদা ঙসি আউটর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিগী লেমহৌরিবা বিধান সভা কেন্দ্র ১৩ দা ভোট থাদনখ্রে। অনিশুবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখল অসিদা পুং ৫ ফাওবদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৭৬.০৬ ওইখি।

ঙসি ভোট থাদনখিবা জিলা ৮ গী মনুং চনবা কেন্দ্রশিং অদুদি-জিরিবাম জিলাগী জিরিবাম, তেংনৌপল জিলাগী তেংনৌপল, নোনে জিলাগী নুঙবা, কামজোং জিলাগী ফুংয়ার, উখ্রুল জিলাগী উখ্রুল অমসুং চিঙাই, তমেংলোং জিলাগী তমেংলোং অমসুং তামৈ, ফেরজোল জিলাগী তিপাইমুখ অমসুং থানলোন অমদি সেনাপতি জিলাগী কারোং, মাও অমসুং তাদুবী বিধান সভা কেন্দ্রশিংনি।

তাঙ্কক অসিগী ওইনা পুন্না ভোটর লাখ ৪ লিশিং ৮৪,৯৪৯ না পোল্লিং ষ্টেসন ৮৪৮ দা ভোট থাদনখি। পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী মনুংদা রাজ্য অসিদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাংনা মরম ওইদুনা লাঞ্জেন্নরিবা ভোটরশিংগী অখন্নবা পোল্লিং ষ্টেসন ৯ হাংদোকখি। মসিগী মনুংদা পোল্লিং ষ্টেসন অমদি শুপতগী ভোটর অমখকা ভোট থাদনবা হাংদোকখি। মোরে হায়র সেকেন্দ্ররি স্কুলদা হাংদোকখিবা পোল্লিং ষ্টেসন অদুগী মতাংদা রাজ্যগী জোইন্ত সি.ই.ও রামানন্দা নোংমৈকাপমা অসুমা হায়-

**--সাউন্দ রামানন্দা--**

আউটর মনিপুর সিটতা পুন্না মীরেপ মরিনা লম্বা থেংনরি। মখোয়শিং অদুদি-ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসকী অলফ্রেদ কাঙম আথর, নাগা পিপলস ফ্রন্টকী কাচুই তিমোথি জিমিক অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ অনি-ডা: এলিসন অবোনমাই অমদি এস. খো জোননি। আউটর সিট অসিগী মনুং চনবা বিধান সভা কেন্দ্র ১৫ দদি লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক থা অসিগী ১৯ দা ভোট থাদনখ্রে। ঙসি অনিশুবা তাঙ্কক্কী ভোট থাদনবা লোইখিবা অসিগা লোয়ননা আউতর সিটকী মীরেপ মরিগী মীখলগী মরাইবকসু ই.ভি.এম মনুংদা সিল্ড তৌদুনা থমখ্রে। লাক্লিবা জন ৪ দা ভোট মশিং থীগনি।

সেনাপতি জিলাগী বিধান সভা কেন্দ্র অহুমদা চাং ৱাংনা ভোট থাদনখিবগী পাউ ফংই। কারোং কেন্দ্রদা চাদা ৮৬.০১ তাদুবিদা চাদা ৮১.৮১ অমসুং আউতর লোক সভা মীখলদা ইন্দিপেদেন্ত মীরেপ ওইরিবা এস.খোজোনগী হোম পোল্লিং মাওদা চাদা ৮৯.৮৪ য়ৌনা ভোট থাদনখি। ঙসি ভোট থাদনখিবদুগী মতাংদা ঐখোয়গী সেনাপতি পাউমীনা হায়-

**--সাউন্দ বাইট--(হেখিনি-সেনাপতি)**

ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবদা তমেংলোং জিলাগী বিধান সভা কেন্দ্র অনি তমেংলোংদা চাদা ৭১ অমসুং তমৈদা চাদা ৭৩ য়ৌনা ভোট থাদনখি। ঙসি জিলা অসিদা চত্থখিবা ভোট থাদবা অদুগী মতাংদা ঐখোয়গী পাউমীগী পাউদম--

**--সাউন্দ বাইট--(রিংবম-তমেংলোং)**

আউতর মনিপুর লোক সভাদা অকনবা লম্বা তৌনখিবা এন.পি.এফ অমদি কংগ্রেসকী মীরেপ অনিমক উখ্রুল জিলাদগীনি। অদুমকপু উখ্রুল অমসুং কামজোং জিলাদসু ময়াই ওইরপ্পদগীনা চাং য়ামা ৱাংবা ফাওবা ভোট থাদনখি হায়রি। উখ্রুল জিলাগী চিঙাই কেন্দ্রদা চাদা ৬৬.১০ অমসুং উখ্রুঅল কেন্দ্রদা চাদা ৬৮.৭০ গী চাংদা ভোট থাদনখি। কামজোং জিলাগী অমত্তা ঙাইরবা বিধান সভা কেন্দ্র ফুংয়রদা চাদা ৭২ য়ৌনা ভোট থাদনখি। ঐখোয়গী উখ্রুল পাউমীগী পাউদম অমা-

**--সাউন্দ বাইট--(সোথিং-উখ্রুল)**

জিরিবাম জিলাদদি ভোট থাদনখিবগী চাং পঙৱাং ৱাংখিদে। কেন্দ্র অসিদা চাদা ৫৯.৮৫ গী চাংদা ভোট থাদনখি হায়রি। ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমীগী পাউদম --

**--সাউন্দ বাইট--(জিরিবাম-বিশ্বজিৎ)**

নোনে জিলাগী অমত্তা ঙাইরবা নুঙবা বিধান সভা কেন্দ্রদা চাদা ৭৪ গী চাংদা ভোট থাদনখি। মসিগী মতাংদা ঐখোয়গী নোনে পাউমী পাউগুইলুং কামৈনা হায়---

**---সাউন্দ বাইট--(নোনে-অগুই)**

তেংনৌপল জিলাগী অমত্তা ঙাইরবা তেংনৌপল বিধান সভা কেন্দ্রদা ঙসি খ্বাইদগী ৱাংনা চাদা ৮৫.৮৪ য়ৌনা ভোট থাদনখি। ফেরজোল জিলাগী তিপাইমুক্তা চাদা ৭৯ অমসুং থানলোনদা চাদা ৭২ য়ৌনা ভোট থাদনখি।

অমরোমদা, ঙসি ভোট থাদনখিবা আউতর মনিপুর লোক সভা কেন্দ্রগী উখ্রুল বিধান সভা কেন্দ্র অমসুং ফুংয়র বিধান সভা কেন্দ্রগী পুন্না পোল্লিং ষ্টেসন ১৯ দা অমুক হন্না ভোট থাদহন্নবা মনিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মীতিনা দাবী তৌরি।

এম.পি.সি.সিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-উখ্রুল বিধান সভা কেন্দ্রগা পোল্লিং ষ্টেসন অহুম অমসুং ফুংয়রগী পোল্লিং ষ্টেসন অমদা ই.ভি.এম থুগাইখি। মসিগী মথক্তা উখ্রুল বিধান সভা কেন্দ্রদা পোল্লিং ষ্টেসন ১৪ , ফুংয়রদা অমা অরানবা পাম্বৈ শিজিন্নদুনা ভোট থাদখি। আই.এন.সিগী মীরেপকী ইন্নর এজেন্ত ফমহনখিদে। ফীভম অসি য়েংলগা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা অমুক হন্না ভোট থাদনহন্নবা চিফ ইলেক্তোরেল ওফিসর মনিপরদা ৱাকৎখ্রে।

**হায়লাইটঃ** মনিপুরদা ঙসি পাঙথোকখিবা অনিশুবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা অকাশবানি ইম্ফালগী ঈ-পাউ কাংবুনা পুথোকপা অখন্নবা থৌরম অমা হৌজিক ঙাইহাক্কী মতুং পুং ৭ মিনিত ৫০ তাবদা শন্দোক্কনি।

--**পাউগী মরক থৎনা অতেনবা ব্রেক অমা**

## --তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি --

**এসসিঃ** ই.ভি.এমদা রেকোর্ড তৌরিবা ভোট থাদখিবগী মশিংগা ভি.ভি. পেথতগী থোরকপা স্লিপ মশিংগা চাদা ১০০ মশিং থিমিন্নবা থারকপা ৱাকৎ ঙসি সুপ্রিম কোর্টনা য়াখিদ্রে। রাই অসি জস্তিস সনজিব খন্না অমসুং দিবাঙ্কর দত্তাগী বেঞ্চ অমনা পিখিবনি।

পনবা য়াই, নুমিৎ নিনি চুপা হিয়ারিং চথরবা মতুংদা থা অসিগী ১৮ দা কোর্টনা মসিগী রাই রিজার্ব তৌদ্না থমখিবনি।

তাঙ্কক ৭ থোকা পাঙথোক্কদবা ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী ভোট মশিং থীবদা ই.ভি.এমদা য়াওরিবা মশিংগা ভি.ভি.পেট স্লিপ মশিংগা পুন্না থিমিন্নবা থংগৎলকখিবা ৱাকৎ সুপ্রিম কোর্টনা য়াখিদবা অসি কম্যুনিস্ত পার্টি ওফ ইন্দিয়া মনিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে । চেরোল অমদা দল অসিনা হায়-মসিনা মীয়ামা ই.ভি.এমদা চিংনরিবা অসিগী চাং হেনগৎহন্নবগী মরম ওইগনি । ভোট থাদবা লোইরবা তুংদা ই.ভি.এমশিং নুমিৎ ৪৫ নি স্ত্রোং রুমদা থমগদবনি হায়না ৱায়েল অসিনা ই.ভি.এমশিং শেমদোক শেমজিন তৌবা য়াবগী চীংনবা হেনগৎহনগনি হায়রি ।

**মীখল** ঃ লোক সভা মীখলগী অনিশুবা তাঙ্কক্তা ঙসি রাজ্য ১২ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমগী লোক সভা সিট ৮৮ দা ভোট থাদনখি। মসিগী মনুংদা কেরলাগী সিট ২০, করনাতক্কী ১৪, রাজস্থানগী ১৩, উত্তর প্রদ্রেস অমসুং মহারাস্ত্রগী ৮-৮, মধ্য প্রদেসকী তরুক, অসাম অমসুং বিহারগী মঙা-মঙা, নোংচুপ বেঙ্গোল অমসুং ছাতিসগরগী অহুম-অহুম, ত্রিপুরা অমসুং জম্মু কাশ্মিরগী সিট অমমম য়াওরি।

অনিশুবা তাঙ্কক অসিদা ভোট থাদনগদবা মধ্য প্রদেসকী বেটুল সেদ্যুল ত্রাইব লোক সভা সিটকী ওইনদি বহুজন সমাজ পার্টিগী মীরেপ লৈখিদবদগী অহুমশুবা তাঙ্কক্তা ওইনা ভোট থাদনগনি।

তাঙ্কক অসিদা মীখলগী মরাইবক লেপকদৌরিবা মশক নাইবা মীরেপশিংগী মনুংদা-কেরলাগী ৱায়ানাদতগী কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধি, তিরুবন্তপুরমদগী কেন্দ্রগী মন্ত্রি-রাজিব চন্দ্রসেখর অমসুং কংগ্রেস লুচিংবা সাসি থারুর, করনাতক্কী বেঙ্গলুরু সাউথতগী বি.জে.পিগী তেজস্বি সুরয়া, উত্তর প্রদেসকী মথুরাদগী বি.জে.পিগী হেমা মালিনি য়াওরি। বি.জে.পিগী অতোপ্পা মরু ওইবা মীরেপশিংগী মনুংদা উত্তর প্রদেসকী মিরটতগী অরুন গোবিল, করনাতক্কী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-ঐচ.দি. ক্মারশ্বামী অমসুং পপু য়াদব য়াওরি। তঙ্কক অসিদা আউটর মনিপুর মীরেপ মরিগা লোয়ননা পুন্না মীরেপ লিশিং ১,২০২ না মীখল থেংনরি। পুন্না ভোটর কোতি ১৫ লাখ ৮৮ হেনবনা পোল্লিং ষ্টেসন লাখ অমা লিশিং ৬৭ রোমদা ভোট থাদনখি। তাঙ্কক অসিগী ওইনা পোল্লিং ওফিসিএল লাখ ১৬ হেন্না শিজিন্নখি।

অয়ুক পুং ১১ ফাওবদা রাজ্যশিং অসিগী ওইনা-অসামদা চাদা ২৭.৪৩, বিহারদা চাদা ২১.৬৮, ছাতিসগরদা চাদা ৩৫.৪৭, জম্মু কাশ্মিরদা চাদা ২৬.৬১, করনাতক্তা চাদা ২২.৩৪, কেরলাদা চাদা ২৫.৬১, মধ্য প্রদেসতা চাদা ২৮.১৫, মহারাস্ত্রদা চাদা ১৮.৮৩, রাজস্থানদা চাদা ২৬.৮৪, ত্রিপুরাদা চাদা ৩৬.৪২, উত্তর প্রদেসতা চাদা ২৪.৩১ অমসুং নোংচুপ বেঙ্গোলদা চাদা ৩১.২৫ গী চাংদা ভোট থাদনখ্রে।

**ফুটবোল(এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লমলোং থোংখোং আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দা চথুরিবা চহি ১৭ মখাগী খেল্লো ইন্দিয়া গলর্স ফুটবোল লিগ ২০২৩-২৪ গী ঙসিগী মেটচতা ইষ্ট্রর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ননা য়ুথ ৱেলফ্যার ক্লবপু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা য়ঙ ৱেলফ্যার ক্লব অমসুং এফ.সি ইম্ফাল পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো চংখি।

**---অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---**

**নোতিফিকেসনঃ** মথং থাগী ২০ দা পাঙথোক্কদবা লোক সভা মীখলগী ৫ শুবা তাঙ্কক্কী নোতিফিকেসন ঙসি থোকখ্রে। তাঙ্কক অসিদা রাজ্য ৬ অমদি য়ুনিয়ন তেরিতোরি অনিগী পুন্না লোক সভা কেন্দ্র ৪৯ দা ভোট থাদনগনি। মসিগী মনুংদা উত্তর প্রদেশকী সিট ১৪, মহারাস্ত্রাগী সিট ১৩, নোংচুপ বেঙ্গালগী সিট ৭, উরিষা অমসুং বিহারগী সিট ৫-৫ , ঝরখন্দগী ৩ অমদি জম্মু কাস্মীর অমসুং লাদাক্কী সিট অমমমনি। মীরেপচে মথং থাগী অহুম ফাওবা পীশিনবা য়াগনি।

**কেম্পেইনঃ** লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলশিংনা ভোট খোম্বগী থবক খমথেংনা কল্লে। বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ঙসি মধ্য প্রদেশকী অশোকনগর অমসুং রাজগর লোক সভা কেন্দ্রদা মীয়ামগী মীতিনদা ৱা ঙাংখি। শ্রী অমিত সাহনা হায়-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা লৈবাক অসিদা য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ চৎনবা হৌরে। লোয়ননা নক্সল্লাইট অমসুং তেরিরোরিজম নিংথীনা লাকশিনবা ঙল্লে।

অমরোমদা, বুরহনপুর লোক সভা কেন্দ্রদা কংগ্রেস প্রসিদেন্ত জিতু পৎৱারি, রাজ্য সভাগী এম.পি বিবেক তঙ্খা অমসুং হান্নগী মন্ত্রি অরুন য়াদবনা কংগ্রেসকী মীরেপশিংগীদমক ভোট খোমখি।

নোংচুপ বেঙ্গলদা ঙসি বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মালদাদা মীয়ামগী মীতিনদা ৱা ঙাংখি। ত্রিনামুল কংগ্রেসকী লুচিংবি অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলগী মুখ্য মন্ত্রি মমতা বেন্নরজিনা ঘাতল অমসুং জরঘাম লোক সভা কেন্দ্রদা মীয়ামগী মীতিনদা ৱা ঙাংখি।জেলদা হৌজিক লৈরিবা দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি অরবিন্দ কেজ্রিৱালগী লোয়নবি সুনিতা কেজ্রিৱালনা আম আদ্মী পার্টিগী ভোট খোমগনি হায়রি। মহাকা ইষ্ট দিল্লি অমসুং ৱেষ্ট দিল্লি লোক সভা কেন্দ্রদা হয়েং অমসুং হঞ্চিৎ রোদ সো পাঙথোক্কনি। সুনিতা কেজ্রিৱালনা পঞ্জাব , হারিয়ানা অমসুং গুজরাটতা চৎতুনা দল অসিগী মীরেপশিংগীদমক ভোট খোমগনি হায়রি।

**মীরেপ ঃ** ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসকী হায়রিয়ানাদা মীরেপ ওইগদবশিংগী লিস্ত ঙসি ফোংখ্রে। লোক সভা কেন্দ্র ১০ লৈবা রাজ্য অসিদা কংগ্রেসনা সিট ৯ মীখল থেংনগনি। অদুগা ইন্দিয়া ব্লোক্কা চৎমিন্নরিবা আম আদ্মী পার্টিগী মীরেপনা কুরুখেত্ত্রা লোক সভা কেন্দ্রদা মীখল থেংনগনি। অম্বালা লোক সভা কেন্দ্রদা বরুন চৌধুরি, হিসার লোক সভা কেন্দ্রদ জয়প্রকাস, করনাল লোক সভা কেন্দ্রদা দিবিয়াঙসু বুধিরাজা , রোতাক কেন্দ্রদা দিপেন্দর সিংহ হুদা, কংগ্রেসকী মীরেপ ওইনা মীখল থেংনগনি।

## --অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক --

১)  মনিপুরদা ঙসি আউটর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিগী লেমহৌরিবা বিধান সভা কেন্দ্র ১৩ দা ভোট থাদনখ্রে। অনিশুবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখল অসিদা পুং ৫ ফাওবদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৭৬.০৬ ওইখি।

২)  আউতর মনিপুর লোক সভা কেন্দ্রগী ঙসি ভোট থাদনখিবা উখ্রুল অমসুং ফুংয়র বিধান সভা কেন্দ্রগী পুন্না পোল্লিং ষ্টেসন ১৯ দা অমুক হন্না ভোট থাদহন্নবা মনিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মীতিনা দাবী তৌরি।

৩)  ই.ভি.এমদা রেকোর্ড তৌরিবা ভোট থাদখিবগী মশিংগা ভি.ভি. পেথতগী থোরকপা স্লিপ মশিংগা চাদা ১০০ মশিং থিমিন্নবা থারকপা ৱাকৎ সুপ্রিম কোর্টনা য়াখিদ্রে।

৪)  লোক সভা মীখলগী ৫ শুবা তাঙ্কক্কী নোতিফিকেসন ঙসি থোকখ্রে । মথং থাগী ২০ দা ভোট থদনগনি।

**অমসুং**

৫)  লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলশিংনা ভোট খোম্বগী থবক খমথেংনা কল্লে।

**--- পাউ লোইজরে---**